# এমসুগী হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবা মীওইবা জাতিনা য়ারোইদবা থবক্নি

*- ৱাই নবচন্দ্র*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ* হৌখিবা চহিশিংদা পাঙথোকখিবগুম ঙসি এমসু শিন্দুনা ৬৫ শুবা হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরম মীয়ামগী অচৌবা রেল্লি অমগা লোয়ননা মাই পাক্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা স্পিসিয়েল গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা হায়খিবদা সদর হিলসকী দিমান্দ অসি ঐখোয় খুদিংমক্না শৌগৎফম থোকই। অদুম ওইনমক দিমান্দ অসি ফংনবা মতম কক্তুনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবা হায়বসি মীওইবা জাতিনা য়ারোইদবা থবকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

৬৫ শুবা হঙ্গর মার্চস দেগী থৌরম অদু হৌখিবা চহি ১৯৬৫ কী চেং তাংবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা সিক্যুরিটিনা নোংমৈনা কাপ্পদগী লৈখিদ্রবা অথৌবা মরীগী খুভম ওইরিবা পিশুম চিংঙামচাদা এমসু হেদক্বাটরসকী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুরেসনা ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোক্লবা মতুং মখোয়গী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা মিনিৎ অনি তুমিন্না লেপ্তুনা উৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈ-শু কৎলবা মতুং মফম অদুদগী এন ঐচ ৩৯ তানা থোক্লক্লগা কৈশামথোং, কৈশাম্পাৎ, ৱাহেংবম লৈকাই, নাগামপাল অমসুং খুয়াথোং ফাওদুনা লাক্লগা থাংমৈবন্দ দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীওইবা সমাজগী মায়োক্তা লৈরিবা অফস্পা লৌথোকউ। ইন্নর লাইন পার্মিৎ চৎনহল্লু। পোৎ চৈগী মমল সরকারনা কন্ত্রোল তৌ। ৱি ৱান্ট রাইট টু লাইফ, মহৈরোইশিংদা বোম অমসুং নোংমৈনা অকিবা ফাওহনগনু হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়খি। অমরোমদা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এমসুগী এক্স-প্রসিদেন্ট শ্রী এস নোরেন্না হায়খিবদা লমদম অসি ঙসিদি নোংম-নোংমগী পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপা অমসুং মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিং ঈশিং ইচাওগুম্মা হেনগৎলকপনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা এমসুনা তুমিন্না লৈশিনবা চুপ্লোই। ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম অমসুং পোৎ চৈ তাংবগী মতাংদা লুপ অসিনা নাইতোম থেংনবা ঙমদ্রবা অমসুং লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোই লুপশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুনশিন্নদুনা থেংননবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা এমসুগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুরেসনা হায়খিবদা মণিপুর সরকার প্রজা মীয়ামগী খনবা সরকার অমনি হায়বা য়াদ্রে। সরকার অসিনা লমদমসিদা এন এস সি এন (আই এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি মুইভা চংলকপদদি সেন্টরনা চংহল্লু হায়রবসু অথিংবা থম্লগা ইন্নরলাইন পার্মিৎতনা সেন্টরগী অয়াবা করিগী থমগদৌরিবনো হায়খি।

থৌরমদুগী স্পিসিয়েল গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা হায়খিবদা লমদম অসিগী চিফ মিনিষ্টর য়াওনা এম এল এ মিনিষ্টরশিং অসি দিমোক্রেসিনা লৈবাক ঙাক্নবা পীরিবা শক্তি অসি লৈতবগা চপ মান্নরে। মখোয়দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা শক্তি অমত্তা শিন্নদবগা চপ মান্নরে। মখোয়দা লৈরিবা শক্তিশিং অসিদি মপাঙ্গোংদা লৈবাক ঙাকপা য়ানবাতাৎ তৌবা মসিগী প্রমান হায়ববু সরকারনা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগী ইন্নর লাইন পার্মিট লৌবদা সেন্টরগী ৱাথং ঙাইরি হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।